**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-03-2026)**
**---সিগনেচর ট্যুন---**

**চীফ মিনিস্তর (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা ঙসি রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা ন্যু সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি. অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজর শরুক য়াখি। মীফম অদুদা সরকার অসিগী হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি লৈঙাক সাসনগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মসিদসু নত্তনা রাজ্য অসিদা হান্নগুম তংদু লৈতাবা ফিভমদা পুরকবা অমদি চেকশিন থৌরাং হেন্না লৌখৎনবগী মতাংদা খন্নখি।

**সিএম (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবগীদমক ৱারী শান্নবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী সেক্রেটরিনা কুকি জো কাউন্সিলগী চেয়ারমেনদা খঙহনখ্রে।

সেক্রেটরি-নৈলেনথাং তেলিয়ননা কুকি জো কাউন্দিলগী চেয়ারমেনদা ইবা চিঠি অমগী মতুং ইন্না কুকি জো কাউন্সিলগী মীহুৎ কাংবুগা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা গুৱাহাতিদা হয়েং উন্নবা ৱাফম পল্লি। মীফম অসিদা রাজ্য অসিদা হান্নগুম তংদু লৈতাবা পুরকবগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

**ইদ (এল)ঃ** ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ইদুল ফিটরনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালাগী পাউজেলদা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা মীয়াম, মরুওইনা মুস্লিম ইচিল ইনাওশিংদা ইদুল ফিটরনা লাকপদা ঐহাক্কী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরি। রামাদানগী শেংলবা থা লোয়শিল্লকপগী নুমিৎ ওইরিবা ইদুল ফিটর হায়বসি অমনা অমবু অৱাংবা থাক্তা থমবা, নুংশি চান্নবা উৎপা অমদি অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌদুনা পুন্না হিংমিন্নবা উৎপা অদুনি। রামাদানগী মতমদা কৎথোকপা, ইশানা ইশা মশক তাকচবা, ঙাকপী হৈবা অমদি ইচিল ইনাও ওইবগী মরী অদু শাগৎপা হায়বসিনা পারা ওইরগা অফবা খুন্নাই অমা পুন্না শেমগৎমীন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহগী পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা মীপুম খুদিংমকপু ফত্তবা ৱাখল, ৱাহৈ অমদি থবক্তগী লাপা লৈননবা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা অফবা মীওই অমা ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি। চহি অসিগী কুম্মৈনা লাকপদা ঐখোয়না মপুদা খুরুমজবা, নীংবা থুংবা ওইদুনা লমদম অসিদা শান্তি অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যব্রতানা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাকা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন, নুংশি চান্নবা অমদি অমনা অমবু থাজনবা অদু নৌহৈননা নিংশিংহল্লে। ইদুল ফিটরনা লাকপদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা, নুংঙাইবা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

লোক সভা এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইস্লাম লাইনিং চৎপা পুমমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়-ঐখোয়গী নুংশিজরবা ইরমদম অসিসু তংদু লৈতাবা পুন্সিরোল অমদা হনজিনবা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা এম.এল.এশিং-কোংখাম রোবিন্দ্রো সিংহ, থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং সৈখ নুরুল হাসননসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইদুল ফিটরনা লাকপদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)

নসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কল্লকপা, য়েংথিনবা, মীহৌ চাউবা, পাপকী ওইবা থবক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমবা থা অমা চুপা চরা হেন্দুনা মুসলমান ইচিল ইনাওশিংনা রমাদান পাঙথোক্লকপা লোয়রদুনা নুংঙাইরবা ইদুল ফিটর-ইদকী থৌরমনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা, নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

**নোংমৈ (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী কৈমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কাইফুন্দাই ভিলেজতা ঙসি অয়ুক এন.এস.সি.এন(আই.এম) অমদি জেট.য়ু.এফনি চিংনবা অনিগী মরক্তা খুৎ থোকখ্রে। অশোক অপন অমদি মীশি মীনাগী পাউদি লৈতে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়রোম তাবা মতমদা কাইফুন্দাই ভিলেজতা এন.এস.সি.এন (আই.এম) অমদি জেট.য়ু.এফনি চিংনবা অনিগী মরক্তা খুৎ থোকখি। তুংদা, নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপদসু মফম অসিদা অমুক হন্না খুৎ থোকখিবগী পাউ লৈ। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওহদুনা মনাক নকপদা তারিবা খুঞ্জাশিংদা অকি-তুজংবা পোকহল্লে। মসিনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিং শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপন, মীশি মীনাগী পাউ লৈত্রি।

অমরোমদা, রোংমৈ লু ফুৰাম গোইনাংলোং লুৰাংরিয়নগী নুপীশিংনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ গী খুনফুন্দাই ভিলেজতা থোরক্তুনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখি। পুলিসকী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইম্ফালদগী জিরিবাম তমা লাকপা গাড়িশিং সিবিলোং ভিলেজতা খামদুনা লৈহনখি। সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগা লোয়ননা গাড়িশিং অসি হয়েং থাদোক্কনি হায়রি।

**রিমস (এল)ঃ** মেদিকেল সোসাইতি রিমস ইম্ফালনা শিনদুনা ১৬ শুবা নেসোকোন-২০২৬ ঙসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী জল্লি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোপেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মানা হায়-রিমসকী মেদিকেল ওফিসারশিংগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা সোসাইতি অসিনা রিমসকী একাডমীক্কী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিন্নবগীদমক থবক কয়াসু পায়খৎলি।

মহাকা হায়-ফেক্লতি অমদি মেদিকেলগী লৈরিবা হেদ ওফ দিপার্টমেন টশিংনা রিছার্স ৱার্কতা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা হোৎনরবদি ইন্সটিট্যুট অসিদা হেন্না কান্নবা পীবা ঙমগনি।

ক্রিটিকেল কিয়ার, ক্রিটিকেল চোইজ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেনদেন্ট প্রোফেসার-নেপ্রম সঞ্জিব সিংহ, দিন (একাডমাক) এল. রাজেস অমদি মেদিকেল সোসাইতি রিমসকী চেয়ারমেন-প্রোফেসার এস. সুভাসচন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

**অকাশবানি (এল)ঃ** দাইরেক্তর জেনরেল ওফ দুরর্দশন-ন্যু দিল্লিগী এ.দি.জি. (টেকিকেল) ভেদ প্রকাশ অমদি এ.দি.জি. (পি.এন.দি)-অভিসৈখ অগরৱালনা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালদা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে।

মখোয়না হেক থুংলবগা অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস-এন. নন্দকুমার সিংহনা লুচিংবা অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিংনা মখোয়বু তরামা ওকখি। তুংদা, ষ্টেসন অসিদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা শ্রী নন্দকুমারনা ষ্টেসন অসিগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি ঙসি ফাওবদা ষ্টেসন অসিনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা পাউদমখি। এ.দি.জিগী কাংবু অদুনসু অকাশবানি ইম্ফালনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লমখি।

**নোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাগী মফম খরদা ঙসিদগী হৌদুনা লাক্লিবা নুমিৎ মরি অসিদা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে অমসুং চুরাচান্দপুরদা অখাক অরাউগা লোয়নना ময়াই ওইরপ ওইনা নোং চুরবা য়াই।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালগী হেদ-সাইন্টিষ্ট এফ. জে.কে.এস. য়াদবনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুদা অসুমা হায়-

**জন সম্বাদ (এল)ঃ** রাজ্যগী রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ বিভাগকী ষ্টেট মোনিটরিং সেলনা ঙসি ভিক্সিত ভারত-গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ অজিবিকা মীসন (গ্রামীন) ভি.বি-জি-রাম-জিগী হীরমদা নোংমগী ওইবা মেদিয়া দাইলোগ অমা ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি লমদমসিগী পাউমীশিংদা অনৌবা এক্ট অসিনা মীয়ামদা ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং অদু মরিক চুমা খঙহন্দুনা মখোয়না ই-পাউগী খুথাংদা মীয়ামদা য়ৌহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী কম্মিস্নার (আর.দি.এন.পি.আর) সুমন সিংহনা হায়-সরকারনা লৈবাক অসিদা মীয়ামদা থবক ফংহন্দুনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা হেন্না অফবা পুরকবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি। হন্দক্তা নৌনা লৈবাক অসিদা চৎনখিবা ভি.বি-জি-রাম-জি অসি ইং ২০০৫ তা সরকারনা মীয়ামদা তঙাইফদনা থবক পীনবগী আইন য়াওবা থৌরাং চৎনখিবশিং অদুগী মনুংদা অহানবা ওইরি। ভি.বি-জি-রাম-জিগী মখাদা মতিক চারবা মীওই অমদা চহি অমদা নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীগদবনি হায়বা আইনগী প্রোভিজন য়াওরি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা চৎনগদৌরিবা প্রোগ্রাম অসিগী হীরম খুদিংদা

সরকারনা য়েংশিনগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা আর.দি.এন.পি.আরগী জোন্ট সেক্রেটরি-লঞ্জোয় থৌদাম, দাইরেক্তর-ক্ষেত্রিময়ুম উমানন্দা অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসারশিং লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসতগী লাকপা পাউমীশিংনা শরুক য়াখি।

**প্লান্নিং (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে। লোয়শিনবগী থৌরম অদু ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখি। সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্লান্নিং বিভাগকী দাইরেক্তর-আর.কে. রাধেসনা দেবীনা হায়-চয়োল অমা চুপা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা চীফ মিনিস্তর ওন্টরপ্রেন্যুয়র সপোর্ট স্কিমগী খনগৎলবা বিনিফিসরি পুন্না ৪৮৫ না শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং অদুদা মরী লৈনবা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ফাইনান্সিয়েল অমদি টেকিকেলগী ওইবা ত্রেন্নিংশিং পীখি। বিনিফিসরিশিং অসিনা সরকারগী লোইশঙশিং অমদি তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা খুৎশমদুনা বেঙ্কতা করিগুম্বা লন-থুম অমত্তা মন্তিকবা তৌদনা লোন ফংহনবগী খুদোংচাবা অদু পীগনি।

কান্নবশিং অসি বিনিফিসরিশিংনা নীংথিনা শিজিন্ননবা অমদি থবক থৌরমশিং

থৌরম অদুদা, প্লান্নিং বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরি-এস.কে. আইমোল, পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক ইম্ফাল সর্কলগী সর্কল হেদ-উপেন্দ্র কুমার অমদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া-ইম্ফাল ব্রেষ্টকী চীফ মেনেজর (ক্রেদিত এন্দ এন.পি.এ)-ডব্লিয়ু. দেনেল শরুক য়াখি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ৱার্কিং ৱিমেন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-প্রোফেসার-মেমচা লোইতোংবমনা হায়রি-নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎলবসু

নুপী অঙাংদা চথুবা মীওৎ মীনৈদি ঙসি ফাওবা লেপত্রি।

ৱাফম অসি ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ৱার্কিং ৱিমেন এসোসিয়েসন, ইন্টরনেল কমপ্লেন্স কমিতি অমদি ৱিমেন্স ষ্টদিজ সেন্টরনা শিনদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ৱিমেন্স ডে থৌরমদা মেমচানা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱিমেন এন্দ সোসিএল ত্রান্সফোরমেসন ইন হন্দিয়া-এক্সপরিয়েন্সেস এন্দ চেলেঞ্জেসকী মতাংদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা প্রোফেসার-মেমচানা হায়-মালেমগী মফম কয়াদা নুপীশিংদা চথুবা মীওৎ মীনৈগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদগী ঙাকথোকবা নুপীশিংনা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙমীন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-লমদম অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং কয়া লৈ। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা নুপীশিংগী থৌদাং অদু নুপীশিংদা কুপা খঙহনবা হায়বসিনা থৌরম অসিগী পান্দম ওইরি।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্র, অসাম ৱিমেন্স য়ুনিভরসিতি-জোরহাটকী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-অজন্তা বোরগোহেন রাজকোনৱাল, আই.সি.সি. মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী প্রিসাইদিং ওফিসার প্রোপেসার-আর.কে. লোনিবালা শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থি বাই এলভেন কে.ভি. ইম্ফাল পৱার হাউস সব-ষ্টেসনদগী লাকপা এলভেন কে.ভি. সেক্রেটরিয়েট ফিদর অসি হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী পুং ১১ ফাওবা মৈ মুৎকনি।

ঐচ.সি. লাইন অসিগী অকোইবদা উ-ৱা শোংজল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা মৈ থারোইদবা অসিদা সি.এম. বঙ্গলো, লোক ভাবন, বাবুপারা অমসুং গভরন রোর্ডকী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই।

**থাউ ঃ** পেট্রোল্লিয়ম অমদি নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরিনা হায়রি-ভারতকী ওইনা এল.পি.জিগী পোৎথোকশিং মরাং কায়না লৈরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মন্ত্রালয়শিংগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা জোইন্ট সেক্রেটরি-সুজাতা শর্ম্মনা হায়-হৌখিবা চয়োল অসিদা কর্ম্মরসিএল এল.পি.জি. টোন লিশিং ১১,৩০০ কঞ্জুমরশিংদা ফংহনখ্রে। মসিদসু নত্তনা দোমেষ্টিক এল.পি.জিগী পোৎথোকশিং মীয়ামদা ফংহনবগী চাংসু চাদা ৪০ হেনগৎখ্রে।

নারোন্দা এল.পি.জি. করবার তৌবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়-ঙরাং ফাওবদা ভারত পুম্বদা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং তৌবশিং থিদোকবা মফম লিশিং ৪,৫০০ থিবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পোর্টস সিপ্পিং অমদি ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী স্পিসিএল সেক্রেটরি-রাজেস কুমার সিনহানা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ভারতকী পোৎ-চৈ পুবা জহাজ ৬১১ তেক্ত কায়দনা চংশিল্লকখ্রে।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ওমান, মালেসিয়া, ফ্রান্স, জোরদান অমদি কটারগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা হৌজিক ওইরিবা নোংচুপ এসিয়াগী ফিভমগী মতাংদসু কুপা খন্নখ্রে।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্ম অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসিদগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াইস্কুল কাংশঙদা হৌখ্রে।

ঙসি হৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা ইগজিবিসন মেটচ অমদা য়াইস্কুল কাংখুৎনা গোপালদেব কাংখুৎপু পাঞ্জল ৮-৭ তা মায়থিবা পীখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থাংমৈবন্দ কাংখুৎ অমসুং সি.ৱাই.এল.সি. কাংখুৎ অনি শান্নগনি।

**ফুটবোলঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা বাবিনা গ্রুপকী ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই, সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬ থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ফুটবোল টিম ২৯ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয়গী সি.এম.এস. থা অসিগী ২৫ ফাওবদা লোয়শিন্নবা খঙহল্লি।

**হোকিঃ** হোকি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাকো স্কুলনা শিনদুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল য়ুনাকো কপ হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মৈরানা এম.পি.এস.সিবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.সি.সি.আই.সি. অমদি কে.ঐচ.এস.সি. পাঞ্জল ২-২ চন্নদনা দ্রো চৎখি।